# ২০২০গী ৱার্ল্ডকপকী ক্বালিফাইয়িং মেটচশিং অসিনা ইন্দিয়াগী অশেঙবা চায়েং ওইগনি ঃ উদান্তা



মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ হন্দক দোহাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ ২০২০ গীদমক শান্নগদৌরিবা ক্বালিফাইয়িং মেটচতশং অসি ইন্দিয়াগী ওইনদি অচৌবা শীঙন্নবা অমা ওইগদৌরি অদুবু হন্দক এসিয়ান কপতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা অফবা পর্ফোর্মেন্স উৎখিবা অসিনা শশন্নরোইশিং দা হেন্না থৌনা হাপ্লগনি হায়না ইন্দিয়াগী ৱিনগর উদান্ত সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্ট অসিদা গ্রুপ –ই দা তাদুনা অহানবা মেটচ ওইনা লাক্লিবা শাগোলশেন নুমিৎ অসিদা হোম মেটচ ওইনা গুৱাহাটিগী ইন্দিরা গান্ধি ষ্টেদিয়মদা ওমানগা শান্নরগনি। ইন্দিয়গী গ্রুপ অসিদা বাংলাদেশ অমসুং অফগানিষ্টানসু য়াওরি।

টিমশিংনা হোম অমসুং এৱে বেসিসতা মথঙ চহীগী জুন ফাওবা গ্রুপ মেটচশিং শান্নগনি মসিগী মকোক থোঙবা টিমশিং অমদি খ্বায়দগী পোইন্ট ৱাঙবা রন্নস অপ টিম ৪ খনগৎল্লগা রাউন্দ ৩ শান্নগনি।

পাউমীশিংনা হঙবা ৱাহংগী পাউখুমদা উদান্ত সিংহনা হায়, ক্বালিফাইয়িং রাউন্দগী মেটচ খুদিংমক অরায়বা অমত্তা ওইরোয় অদুবু টিম অসিগী শান্নরোই খুদিংমক্না অঙম্বা থাক্তা হোৎন্দুনা মথং রাউন্দ চঙন্নবা শান্নগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মেটচ খুদিংমক মরুওইবা ঙাক্তনি, ফুটবোল মেটচ অমা শান্নবা মতমদা রেঙ্ক ৱাঙবা নেম্বা হায়বগী থোয়দোকপা খেৎনবা লৈবা, শান্নরোইশিংগী থৌনা, হোৎনজম অদুনা মেটচ অদুদা টিম অদুগী মরাইবক লেপক্কদৌরিবনি।

হৌজিক– হৌজিককী ওইনা ফিফা রেঙ্কিংদা ওমাননা ৮৭ শুবদা অমদি ইন্দিয়না ১০৩ শুবা দা লৈরি। টিম অনী অসিনা ইকোন কোনবা ওইনা থেঙনখিবসি হৌখিবা দিসেম্বরদা এসিয়ান কপকী রন অপ ওইনা শান্নখিবা মেটচ অদুদনি।

হায়রিবা মেটচ অসিদা টিম অনীমক গোল চন্নবা ঙমদনা লোয়শিনখি।

ইশাগী লমদা ইশাগী মীয়াম মমাঙদা শান্নবা হায়বসিনা শান্নরোইশিং অচৌবাং থৌনা অমা হাপ্পি, মসিনা শান্নরোইশিংবু পূক্নিং থৌগৎপীদুনা হেন্না ফজবা পর্ফোমেন্স উৎপদা মতেং পাঙই। হন্দক শান্নগদৌরিবা মেটচশিং অসিদসু মমাঙদগী হেন্না ফজবা শান্নবা হোৎনগনি।

হন্দক থাইলেন্দ পাঙথোকখিবা কিঙস কপ অমদি অহেমমেদবাদতা শান্নখিবা ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ অসিনা শান্নরোইশিংগী অশোইবা কয়া অদু খঙদোক্কুনা গৱাগী নেসনেল কেম্প অদুদা চুমথোকপগী তাঞ্জা অমা চাওনা ফঙখি।

মসিগী খূদোংচাবা অসিনা টিম অসিদা চাওনা মতেং পাঙগনি। মসিতসু নত্তনা গ্রাউন্দ অমসু জিমদা শান্নরোইশিং অসিনা পূক্নিং হকচাঙ য়াওনা হোৎনবা অসিনা শান্নরোইশিংগী হকচাংগী ফিবমসু য়াম্না ফগৎলে হায়খি।

হৌখিবা মে থাদা টিম অসিগী হেদ কোচ ওইনা ইগোর ষ্টিমাঙনা হেক লাকপদগী টিম অসিগী শান্নবগী মওঙ মতৌ চাউনা অহোঙবা অমা লাকক্লে।

মহাক্না টিম অসিবু বোল হেন্না পায়হনবগী ষ্ট্রাটেজি শীজিন দুনা দিফেন্দরশিংদগী ফোরৱাদ ফাওবদা য়াম্না মওঙ চুম্না বোল পাস তৌহনবা ঙম্লে। বোল য়াম্না হেন্না পায়হনবা অসিনা এটেক চঙবদা ওপোনেন্ট টিমদগী হেন্না খূদোংচাবা ফঙহল্লি।

বেঙ্গলুরু এফ সি দসু ৱিগর ওইনা শান্নরিবা উদান্ত সিংহনা ইন্টরনেসনেল মেটচ ২২ শান্নবগী মনুঙদা গোল অমতঙ চনবদা ঙায়রি। অদুবু মহাকসু মহাক্কী টেল্লিগী ফিভম কন্না ফগৎন্নবা হোৎনরি হায়খি।

শান্নরোই খূদিংমক মাগী নেসনেল টিমগীদমক গোল চনবদুদি মাগী টিমনা কাবদুনা হেন্না মরুওই। মহাকসু মাগী ফীনিসিং ক্রোশিং অমদি ৱান এয়ওন ৱানগী দিসিজন মাকিং হেন্না পগৎন্নবা কন্না হোৎন্নরি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা জনুৱারি থাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান কপকী য়ু এ ই গা শান্নকিবা গ্রুপ মেটচ অমদা উদান্ত সিংহগী গোল পোষ্টকী মথক থঙবা বারদা পান দুনা গোলদা ওন্থোকপা ঙমহৌদবা অদুনা ইন্দিয়ানা টুর্নামেন্ট অদুদগী লৈহৌবনি। থৌদোক অসিগী মতাঙদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মহাক্না হায় নুমিৎ অদু ইন্দিয়া টিমনা ফনা ফজনদি শান্নখিবনি অদুবু লাইবকতা মায় পাকউ হায়না তম্লদবনি। গোল ওন্থোকপা ঙমখিদবসু য়াম্না নুংঙায়ত্তবা ফাওই হায়খি।

# ওলিম্পিক্কী হোক্কি ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ ইন্দিয়দা শান্নরগনি



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ ইন্টরনেসনেল হোক্কী ফেদরেসননা ইন্দিয়গী নুপী হোক্কী টিমবগী ওলিম্পিক ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ ইন্দিয়দা শানবা ফঙল্লগনি হায়না লাওথোকখ্রে। লোয়ননা মদুনা নুপী হোক্কী টিম অদুদা অচৌবা থৌনা অমা হাপ্পা ঙল্লগনি হায়না ইন্দিয়গী নুপী হোক্কী টিমগী কোচ মরিজিনেনা ফোঙদোকখ্রে।

হন্দক ইন্দিয়দা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ অদু ইন্দিয়গী ওইনা অহানবা ওইবনা শান্নরোইশিংবু হারাওবা অমদি পূক্নিং থৌগৎপা অমা ওইরে হায়না মহক্না ফোঙদোকখি।

ঐখোয়গী পান্দমদি মশান্না অদুদা থৱায়য়াওনা শান্নবনি। অদুগা হন্দক্কী ওইনা হোক্কী য়েঙবা মীয়াম লাক্কদবা অসিনসু শান্নরোইশিংদা থৌনা হাপ্পা ঙম্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

হৌজিক্কী ওইনা শান্নরোই ৩৩ দি স্পোর্টস বেঙ্গলুরুগী ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়গী কেম্পসতা পাঙথোকখিবা চয়োল অহুমগী ট্রেন্নিং কেম্প অদুদা শরুক য়ারিবনি।

ট্রেন্নিং অদু লোয়রবা মতুং ইংলেন্দদা চাৎত্তুনা সেপ্টেম্বর ২৭ তগী বিলটেরেল সেরিসকী মেটচ ৫ শান্নগনি। মমাঙগী থাদা ইন্দিয়গী নুপী হোক্কী টিমনা জপানবু মায়থিবা পীদুনা ২০২০ তোকিয়ো গেমসকী ক্বালিফাইয়রকীদমক ট্রেন্নিং তৌদুনা লাকপনি।

'ওলিম্পিক ষ্টেট ইভেন্ট অদুদা জপানবু মায়থিবা পীবা ঙমখিবা অদু ইন্দিয়গী ওইনা য়াম চাউবা মায় পাকপনি। লোয়ননা ইন্টরনেসনেল হোক্কী ফেদরেসন ওলিম্পিক ক্বালিফাইয়রকীদমক মায় ওনশিনলকপনি' হায়না কোচ মরিজিনেনা ফোঙদোকখ্রে।

# ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট এন্দ ষ্টেট ওপন বেদবিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি


ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ইন্দোর ষ্টেদিয়ম, দি এম কোলেজ কেম্পসতা থা অসিগী ৩ দগী ৭ ফাওবা ৩৮ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট এন্দ ৬৪ শুবা ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন চেম্পিপন্সিপ ২০১৯ পাঙথোক্লগনি হায়রি।


চেম্পিয়ন্সিপ অসি হৌদোকপগী থৌরমদা ইডুকেসন, লেবর এন্দ ইম্পলোয়গী মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম সিংহ প্রসিদেন্ট ওফ মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসন অমদি দিপুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমার সিংহ প্রসিদেন্ট ওফ মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসননা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি হায়না মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী এন শ্যামকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।


ꯌꯣꯒꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯅꯦꯆꯔꯣꯄꯦꯊꯤ ꯐꯤꯠꯅꯦꯁ ꯁꯦꯟꯇꯔ

YOGA & NATUROPATHY FITNESS CENTRE

Kwakeithel Thounaojam Leikai, PYDA Club 1st Floor




- General Yoga
- Therapeutic Yoga
- Ashtanga Yoga
- Kriya (Inner Body Cleansing Process)
- Massage Therapy
- Steam Bath
- Local Steam
- Naturopathy Treatments :-
  - Acupuncture
  - Ice Massage
  - Sand Fomentation
  - Throat Pack
  - Leg Pack
  - Mud Pack etc.

SL/B(B)/ 17X15D/Alt.

Yoga expert: S. Rajshree & S. Joyshree | Naturopathy expert: Dr. Mangalleibi S. | Timing:- 5am to 6pm Monday - Saturday (Sunday Closed) | Contact: 8415026851, 8794515354


# ফিফা প্লেয়র ওফ দি ইয়র এৱার্দকীদমক ভিরগিল ভান দিজক সু, লিওনেল মিসি অমদি ক্রিষ্টিনো রোনাল্ডোগা লোয়ননা খনখ্রে



সান সিরো, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ নেদরলেন্দকী দিফেন্দর ভিরগিল ভান দিজক সু ফিফা প্লেয়র ওফ দি ইয়র এৱার্দকী খনগৎপদা হান্না ৫ রক মনা অসিবু ফঙখ্রবা লিওনেল মিসি অমদি ক্রিষ্টিনো রোনাল্ডোগা লোয়ননা য়াওরক্লে।

বেষ্ট গোল কিপ্পর অমদি বেষ্ট কোচকী মনাশিং য়াওনা তোঙান–তোঙানবা কেটগোরিশিংদা মনা ফঙনবগী খনগৎপদা মীওইশিং অদুগী মমিং অদু ঙসি সান সিরোদা লাওথোককখি। মনা অসি লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২৩ দা মিলনগী স্কার থিএটরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা য়েন্থোক্কনি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা চহীদা মনা অসি ক্রোটিয়াগী লুকা মোদ্রিকনা মহাক্কী লম্বু ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেল ফাওবা পূশিন্দুনা অফবা প্রফোমেন্স উৎখিবগীদমক পীখিবনি।

হন্দক্কী ওইনসু ভান দিজকনা মহাক্কী ক্লব নেদরলেন্দবু য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন লীগ লৌবদা অচৌবা মতেং পাঙখিবগীদমক মহাকপু মিসি অমদি রোনাল্ডোগা লোয়ননা মনা অসিগীদমক নোমিনেট তৌখিবনি।

নুপীগী ফিফা প্লেয়র ওফ দি ইয়র এৱার্দকীদমক রাপিনো, এলেক্স মোরগন্স অমদি লুসি ব্রোঞ্জপু খনখি।

নুপাগী বেষ্ট কোচ এৱার্দকীদমক প্রেমিয়র লীগকী কোচ অহুম খনগৎখি। মখোয়শিং অদুদি– লিভরপুলগী জুরগেন ক্লোপ, মানচেষ্টর সিটিগী পেপ গাউদিওলা অমদি তোট্টেনহামগী মাউরিচিওনি।

ক্লোপনা মহাক্কী টিম লিভরপুলবু চেম্পিয়ন লীগ লৌহনখিবা অমদি পোচেন্টটিনোনা মহাক্কী টিম তোট্টেনহামবু চেম্পিয়ন লীগকী ফাইনেল ফাওবা পূশিন দুনা চেম্পিয়ন লীগতা অফবা পর্ফোমেন্স উৎখিবগীনি।

নুপীগী বেষ্ট কোচ ওফ দি ইয়রগী মনাগীদমক য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী জীল ইলীস, ইংলেন্দগী ফিল নেভিলে অমদি নেদরলেন্দগী সারিনা ৱৈগমেনবু খনখি।

নুপীগী বেষ্ট গোল কিপ্পর ওফ দি ইয়রগীদমক লিভরপুলগী এলিসন, মানচেষ্ট্রর সিটিগী ইদরসন অমদি বারসেলোনাগী মারক এনদর রি ষ্টগাননি। লোয়ননা নুপীগী ওইনা খৃষ্টিন এন্দর, হেলভিগ লিন্দাহল অমদি সারিভান ভিনেনদালনি।

মনাশিংগীদমক খনগৎল্লবা শান্নরোইশিং অসিবু নেসনেল টিম কোচেসশিং, টিম কেপ্তেনশিং অখন্নবা মেদিয়া প্রসোনেল অমদি ফেনশিংনা ভোটিং তৌদুনা ৱিন্নরশিং অসি খনখিবনি।

# সাইনা নেহৱাল অমসুং সৌরব ভর্ম্মানা চাইনিস তাইপৈ ওপনবু অমুক হন্না ফংন্নবা মীৎয়েং থল্লী



তাইপৈ সিটি, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ হয়েংদগী তাইপৈ সিটিদা য়ু এস দোল্লর ৫০০,০০০ শেলগী মনা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা চাইনিস তাইপৈ বি দব্লিউ এফ ৱার্ল্ড টুর সুপর ৩০০ অসিদা হান্নগী চেম্পিয়ন ওইরিবা সাইনা নেহৱাল অমসুং সোরব ভর্ম্মা অনীনা নুপীগী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসতা অমুক হন্না মনা অসি লৌন্নবা মীৎয়েং থল্লী। ইন্দিয়াগী তোপ শেটলরগী মনুংদা অমা ওইরিবী সাইনা নেহৱাল মমাঙ চহী ২০০৮ তা টাইতল অসিগী মনা লৌখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না মনা অসি লৌন্নবা হোৎনগদৌরি।

অমরোমদা নেসনেল চেম্পিয়নসু ওইরিবা সোরব ভর্ম্মানসু মমাঙ চহী ২০১৬ দা মনা অসি লৌখ্রবনি। অসিদসু নত্তনা ফোমর তোপ ১০ প্লেয়র ওইরিবা ঐচ এস প্রানোইনা স্বিটজরলেন্দগী বাসেলদা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপতা চাইনিস লিজেন্দ লিন দানবু মায়থিবা পীখিবা অসিসু টুর অসিদা য়াওগদৌরি।

অমদি মনা অসিগী অশা লৈরি। ৱার্ল্ড নম্বর ৮ ওইরিবী সাইনা নেহৱাল মমাঙদা দেনমার্ক্কী মাই বলিচফিল্ডগী মখুৎত্তা মমাঙগী চয়োলদা মায়থিবা নঙখিবগী মতাং দা অনপিরিং দিসিজনদা চয়েৎন্নবা খরা লৈরবসু হৌজিক্কটি য়াম্না ফারে।

সাইনানা মহাক্কী অচৌবা মেটচতা কোরিয়াগী রাইজিং ষ্টার ওইরিবী এন সি য়ুঙগা থেংনগদৌরি। অনীশুবা সিদতা কনাদাগী মিজেলি লিগা, অহুমশুবা সিদতা য়ু এস এগী বৈৱেন ঝাঙ অমদি মরিশুবা সিদতা কোরিয়াগী সোঙ জি হুয়ামগা থেঙনগদৌরি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা সৌরব ভর্ম্মানা মহাক্কী হায়দ্রাবদ ওপনদা মায় পাকখ্রবা মতুং মখা তানা মায় পাক্লবা থেংনগদৌরি। মৈপ্রা প্রদেশগী মচা অসিনা জপপানগী কাঝুমাস সরাইগা অহানবা ওইনা থেন্নগদৌরি। অতোপ্পা অমরোমদা মমাঙ চহীদা চাকখাওগী অনাবনা মরম ওইরগা মতম কয়া মাঙলুরবা রেঙ্ক ২৭ তা লৈরিবা ঐচ এস প্রানোইনা তাইৱাইগী ৱাঙ তঝু ৱৈগা অহানবা ওইনা থেন্নগদৌরি। মমাঙদা টাইতল ৩ লক লৌখ্রবা সৌরব ভর্ম্মানা মালেসিয়াগী দারেন লিৱনগা অহুমশুবা সিদতা থেংন্নগনি।

নুপীগী দবলসদা অপরনা বলন অমসুং প্রাজাকতা সাৱট অনীনা জুরা শেমদুনা টুর অসিদা য়াউরি। মকোয় অহানবা রাউন্দ ওইনা মালিসিয়াগী চৌ মৈ কাউন অমদি লি মেঙ য়েনগা তরুকশুবা সিদতা থেংন্নগনি।

# ইটালিগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট সেরি এদা ইন্টরনা কাগলিয়ারিবু ২–১ দা থোইখ্রে, ফ্রান্সকী লীগে ৱানদা মার্সিয়েল মায় পাকখ্রে



মিলান, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ ইটালিদা পাঙথোকপা মরুওইবা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা ইন্টরনা কাগলিয়ারিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে, ফ্রান্সকী লীগে ৱানদা মার্সিয়েল মায় পাকখ্রে।

ইন্টর অমদি কাগলিয়ারিনা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী লম্বা মান্নরকখি। অহৌবা মিনট ২০ হৌজিনখ্রবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি। মেটচকী ২৭শুবা মিনটতা ইন্টরগী শান্নরোই লাওটেরোনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা গোল শোখ্নরিবা কাগলিয়ারিগী শান্নরোইশিংনা ইন্টরগী শান্নরোইশিং দা অকনবা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি। মেটচকী ৫০শুবা মিনটতা কাগলিয়ারিগী শান্নরোই জোৱা পেদ্রোনা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭২শুবা মিনটতা ইন্টরনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা রোমেলু লুকাকুনা মায় পাকপগী গোল অদু চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখিবা অদু মেটচকী অপীবা মিনট লোইশিনবা ফাওবা লৈখিবদগী ইন্টরনা মেটচ অদু ২–১ দা মায় পাকখি।

সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা পরমানা উদিনিসপু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচকী অহানবা গোল অদু মেটচকী ১৭শুবা মিনটতা উদিনিসকী শান্নরোই কেভিন লাসাগনানা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। গোল শোখ্নরিবা পরমাগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা উদিনিসকী মায়কৈদা এটেক লেপ্তুনা চখ্খদুনা লাকখি। মেটচকী ৪৩শুবা মিনটতা পরমাগী শান্নরোই জরভিনহোনা গোল অমা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা গোল ১–১ দা মান্নরগা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা পরমাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখ্খদুনা লাকখি। মেটচকী ৫৯শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই রিকার্দো গাগ্লিওলোনা গোল অমা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭৫শুবা মিনটতা পরমাগী শান্নরোই রোবার্টো ইনগ্লেসেনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৩–১ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা টোরিনোনা অটলান্টাবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীরমখি। মেটচকী হৌরকপা মিনট ২০ হেন্না চঙশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা টোরিনোগী শান্নরোইশিংনা চখ্খরকখিবা এটেক অমদা কেভিন বোনিফাজিনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাহনবা ঙমখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩৮শুবা মিনটতা অটলান্টাগী শান্নরোই দুভান জাপাটানা গোল অমা চনশিনবা ঙমখিবদগী ২–১ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা টিম অনীমক অমনা অমবু হেঞ্জিনবা ঙম্নদনা লাকখি। মেটচকী ৫৭শুবা মিনটতা টোরিনোগী শান্নরোই এলেক্স বেরেনগুয়েরনা গোল অমা চনশিন্দুনা ২–২ দা মান্নহনবা ঙমখি। টোরিনা অনীশুবা গোল চনখ্রবা মতুং মতম ইকান কান্নদনা মেটচকী ৬৬শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই অরমানে দা ইজোনা য়াম্না মরুওইবা গোল অদু চন্দুনা মেটচ অদু ৩–২ দা মায় পাকখি।

ফ্রান্সকী ফুটবোল টুর্নামেন্ট লীগে ৱানগী লীগ মেটচ অমদা মার্সিয়েলনা সেন্ট ইটেন্নিবু গোল ১–০ দা থোইবা ঙমখি। মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। অদুবু শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা মার্সিয়েলগী শান্নরোই দারিও বেনেদেষ্টোনা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু চন্দুনা ১–০ দা মায় পাকখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com